# লন্ডনী মৌ-গী চিঠি

তাবিরিবরা,
মীয়াম্না ঐবু লন্ডনী মৌ হাইনা কৌবিরেদা
পেল্লরিনি হৌজিক্তি
নুঙাইবগী সমদ্রুগ্দা খরনি তাওহনলম্লগা
অৱাবগী মৈরক্তা লংথবিরম্লিবা ঐবু
করম্বা ইরালগী দন্ডিনো খঙহনবিরকউ কৈদৌগে।
অঙাং ওইবগী হরাও তয়াম্লবা পূন্সিবু
মাইকৈমদা থৈদোক্লম্লগা পুশিনবীরকখি
ঐবু নঙগী নুংশি ঈপাক্তা।
লৈখোম লৈনাং মরক্তগী লৈকোলদা কৌশল্লগা
থম্বিরম্লি ঐবু মপাং কনা য়াওদনা
শুক্লবা সংসার হিংগোলসিদা
অসুক ৱাগনি খংলম্লবদি লাক্লম্মোয়কো নঙোন্দা
খাংজাউদা থেঙ্গু ফুৎপগুম
পেৎচৈদা ঙমু লৌবগুম
খাংঙমদ্রবা মৈশারক্তা খাঙলি ঐদি ইদোমতা।

ওন্থোকপনিদা নঙনসু থাজবিদ্রবা ঐবু
কৈদৌনি ঐগী অৱা খোঞ্জেল তাহন্দুনা
নঙগী নুঙাইরবা মঙ কায়হন্দুনা, অদুবু
ঐগীনি হায়বদা লাপ্লবসু নক্লবসু নঙতনিদো লৈরিবা
খাংঙমদ্রবা, কনানসু হায়ঙমদ্রবা ৱারী খরা লিজগে
তানিংদ্রবসু তাবা তায়, পানিংদ্রবসু পাবা তায়
ৱারৌগুমসিকো নুংশিবা।
নুমিৎ অদো হকচাংসু খরা নুঙায়তে
কোকসি ঙাওরি ঙাওরি তুমিন্না হিপ্তুনা লৈ
কনামত্তনা হন্না য়েংলদে, হংবিরদে
কনামত্তনা করি তৌরে, অহোইনদুম
তাহনখি অয়াকপা খোঞ্জেল
তশেংবনি নুংশিবা
থীংঙমদ্রবা মীৎলু পিরাং চেম্থরকখি মাধবকুন্ডগী ঈশিংচাইবীগুম।
নোংমসু মান্ডব ময়াইদা মীয়াম মাঙদা
লৈকায়গী চিনগনবী হায়না খঙনরিবী লৈশাবীদুনা

